ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯲, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুলাই ১২, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১০৩ শুবা মশীং

# সিক্সথ সেদ্যুলগী দিমান্দ

## *লৈবাক অসিদা চপ মান্নবা লো চৎনহনবা চুম্মী*

***মণিপুরদা*** খুন্দারিবা ট্রাইবেল ফুরুপশিংগী মনুংদা খরদি সিক্সথ সেদ্যুলগী দিমান্দ তৌই। দিমান্দ অসি হন্দক্তি য়াম্না নাখৈ শেংহনবা অমা ওইনা জে এ সী এগেনষ্ট দ ট্রাইবেল বিলনা থাদোরকখিবা প্রেস রিলিজ অমদগী খঙবা ঙম্মী। সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনগী মখাদা মায়কৈ অহুমগী ৱারী শানরিবা কাঙবুসু নোংমদি সিক্সথ সেদ্যুলগী দিমান্দরোমদা হেন্না নকশিল্লক্কনি। সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট তৌনদুনা পিছ একোর্দকী তুংদসু সিক্সথ সেদ্যুলগী ৱাফমসি লাক্কদৌরি। য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল অমদি অতৈ নাগাগী ফুরুপশিংনা দিমান্দ তৌরিবা অল্টরনেটিব এরেঞ্জমেন্ট হায়বসিসু সিক্সথ সেদ্যুলগা মরী লৈনরকপা য়াই। মরম অদুনা সিক্সথ সেদ্যুলদা করি করি য়াওরিবগে হায়বসি মীয়াম পুন্নমক্না খঙমিন্নবগী মতম য়ৌরে। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী সিক্সথ সেদ্যুলনা অকক্ন বা ট্রাইবেল এরিয়াশিংদা অখন্নবা হীরম খরদা মরোমদোম লৈঙাকচনবগী রাইট পীরি। সিক্সথ সেদ্যুলগী মখাদা শেম্বা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট অমদা লৈঙাকপগী থৌদাং পূন্নমক দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিলনা লৌই। ওটোনোমস রিজন ওইরগনা লৈঙাকপগী থৌদাং পূন্নমক রিজনেল কাওন্সিলনা লৌজে। মসিদা সেন্তরনা নৎত্রগা ষ্টেটনা খুৎ থিংজিন্দে। ট্রাইবেল ফুরুপশিংবু মশা-মশাগী নাৎকী ওইবা চৎনবী মতুং ইন্না লৈঙাকচনবগী খুদোংচাবা পীবনি। সিক্সথ সেদ্যুল এরিয়াশিংবু ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিলগী খুৎথাংদা লৈঙাকই। "মিনি পার্লিয়ামেন্ট" অমা ওইনা লৌবা য়ারবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিলশিংনা নাৎকী চৎনবী মতুং ইন্না লৈঙাক থৌদাং লৌজবদা সেন্তর নৎত্রগা ষ্টেটনা খূৎ থিংজিন্দে। হৌজিকমক্কী ওইনদি অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট মরি - অসাম, মেঘালয়া, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাখক্তদা সিক্সথ সেদ্যুল এরিয়া লৈ। হায়রিবা এরিয়াশিং অসি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল নৎত্রগা ওটোনোমস রিজনেল কাওন্সিলগী খূৎথাংদা লৈঙাক্লি। কুমজা ১৯৫১ দা সিক্সথ সেদ্যুলগী মখাদা শেমখিবা অসাম ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট (কন্সটিট্যুশন ওফ দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিলস) রুলস অমসুং কুমজা ১৯৫২ দা শেমখিবা পাৰি-লাখর (কন্সটিট্যুশন ওফ রিজনেল কাওন্সিলস) রুলসকী মতুং ইন্না সিক্সথ সেদ্যুল এরিয়াদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল নৎত্রগা রিজনেল কাওন্সিলনা মপুং ফাবা ইগজেক্যুটিভ, জুদিসিয়ারি অমদি লেজিসলেটিভ পাৱর পায়রি।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল ১৫ - অসামদা অনী, মেঘালয়াদা অহুম, মিজোরামদা অহুম, ত্রিপুরাদা অমা অমসুং মিজোরামদা তরুক লৈরি। নাগাশিংগীদমক য়েংলগা শেমখিবা সিক্সথ সেদ্যুলগী মখাদা নাগাগী ওইবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল অমা লৈত্রি। মণিপুরদা ট্রাইবেল মীয়ামগীদমক ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল তরুক লৈরবসু সিক্স সেদ্যুলদা চন্দ্রিবা মরম্না এ দি সীশিংদা ষ্টেটকী লো মপুং ফানা চৎনরি। করিগুম্বা সিক্সথ সেদ্যুলদা চনবা থোক্লবদি এ দি সীশিংগী তোখায়বা লো শেমজবগা লোয়ননা অকক্নবা হীরম খরদা মরোমদোম লৈঙাকচবা য়ারগনি। সিক্স সেদ্যুলগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল অমসুং রিজনেল কাওন্সিলশিংনা মশাগী জুরিসদিক্সন মনুংদগী টেক্স খোমগৎপা য়াহনবগা লোয়ননা করিগুম্বা থাউ নৎত্রগা মিনরেল ফংবা থোক্লবদি মদু চিংথোকপগী টেক্স পূন্নমক দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিলদা কাগদবনি। মসিগী মথক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মতম মতমগী ওইবা গ্রান্ট-ইন-এইদ অমদি লোন পীগনি। করিগুম্বা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট অমগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা সেদ্যুল ট্রাইবশিং ফুরুপশিং খুন্দাবা থোক্লবদি গভর্ণরনা পব্লিক নোটিফিকেশন থোক্লগা ফুরুপ-ফুরুপকী ওইবা ওটোনোমস রিজন কয়া থোক্না খায়দোকপা য়াই। মসিগীসু মথক্তা ওটোনোমস রিজন অমদগী লম লৌথোক্লগা অমদা হাপচিনবা; অনৌবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট অমা শেম্বা; ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট অমগী পাক চাউবা হেনগৎহনবা নৎত্রগা হন্থহনবা; ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট অনী পুনশিনবা নৎত্রগা শরুক খরা খরা লৌথোক্লগা অতোপ্পা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট অমা শেম্বা; ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট অমগী মমিং ওন্থোকপা অমসুং ঙমখৈ শেমদোক-শেমজিন তৌবা ঙম্মী। মতাং অসিদা হায়জনিংবদি স্কোৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ তমক পাক-চাউবা পুন্না মীওই লাখ ২৭.২২ রোমতমক খুন্দাবা মণিপুরদা ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবগী মহুত্তা খাইবুং তানবগী ৱাখলনা মাঙ থারগা থবক তৌবা হায়বসি লাইবক থীবনি। ঙসি ঐখোয়না উবা ফংলিবা নাগা নৎত্রগা কুকি হায়বসি তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ মচা ময়াম পুনশিল্লগা শেম্বনি। করিগুম্বা ৱাহৌ অমদগী অপূনবা ফুরুপতৌনা উরিবা মখোয় মশেলগী মরক্তসু নিংঙাই তৌনরকপা য়াই। মসিগীসু মথক্তা লৈঙাক অমগী মনুংদা অতোপ্পা লৈঙাক অমা লৈবা য়াবা হৌনদে। মরম অদুনা লৈবাক অসিদা চপ মান্নবা লো অমগী মখাদা লৈবাক ঙাকপগী তঙাইফদবা লাকই। মসিনা লৈবাক অসি হেন্না মপাঙ্গল কলহনগনি হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## পেন্সন মতম চানা য়েন্থোকপীদবা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ইন্দিয়া** লৈঙাক্লা পীখিবা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম ফাওবদা মতম চানা য়েন্থোকপীবা ঙমদবা মণিপুর লৈঙাক অসিবু করম্বা মখলগী লৈঙাকনো হায়না এদিটর ইবুংঙোগী নফমদা য়াম্না পূক্নিং নুংশিনা হংজরি, ৱারৌবিগনু।


ঙসি কংলৈপাক, মণিপুরদা পাল্লিবা লৈঙাকসি লায়রবশিংগীদমক্তা করিসু খন্থবীদ্রবা লৈঙাকনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লগদ্রা। থা মশীং ৩০ শুবা মতমদা থা মশীং ১৪ গী লুপা ২৮০০ ফংহনবীখ্রে। হৌজিক অমুক চহী অমা হায়রক্কদৌরে অদুবু ঙসি ফাওবা চেক মোক লাউদনা তুমিন্না য়ৈশিন্দুনা লৈরিবা লৈঙাকসিবু মীওইবা ঐখোয়গী লৈঙাক্লা? এদিটর ইবুংঙো ইপা ইপুনা হায়রম্বা 'হৌরকফম খঙদ্রবা মপা মপু ফুরুপ নাইদ্রবা মীওইনা লৈবাক্কী থৌ পুরিবা মখৈদি লৈবাক্তো খাং-খোং চায়গনিয়ে হায়না ফুঙ্গা ৱারীদা, লৈপুং ফম্বদা ৱারিনরম্মী।

ঙসিগী কংলৈপাক, মণিপুরসিদা তশেং তশেংলবা অচুম্বা ৱা হায়বদু লোৎশিন্দুনা থম্বগী মতম ওইদ্রামাল্লে হায়নসু খল্লি। এদিটর ইবুংঙো, লায়রবা পেন্সন্নর মীয়াম্বু থওইবিদ্রবা ঐখোয়গী লৈঙাক্কী য়াকা লায়রবা মীয়াম্না য়েংদুনা হিংবা তারিব্রা?।

*অদোমগী - ওইনাম মাইমু মীতৈ*
*পীশুমথোং ওইনাম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩

১। "মপু সনা কৈথেলদা মিংচৎ নঙবু থোকপরা"
ৱাফম অসি করম্বা কবিনা হায়রম্বনো?
২। ৱারীমচা ইবা মাইবম নবকিশ্বরনা শৈরেংগী লাইরিক অমা ফোঙখ্রে।
করি মমিং কৌই?
৩। 'লৈ মনা অমতং' করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?
৪। 'মধুশালা' বু মণিপুরীদা হন্দোকপগীদমক ট্রান্সলেসন
প্রাইজ ফংখিবা মীশক্তু কনানো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

### হায়নবা লৈ ঃ

*চৈঙাক ফরগা হি চৎপনি, চৈঙাক ফৎত্রবদি হি চত্তে।*

# ইড-উল-ফিটর য়াওরুবগী কাউঙল্লরোইদবা নুমিৎ অমা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪০২

**জিতেন নামৈরাকপম**



**কাং** (রথ যাত্রা) হৌবা নুমিৎকা চপ মান্ননা ইদ-উল-ফিটরসু তারে হায়দুনা নুমিৎ অদু লৈঙাক্লা ছুটি লাউথোকখি। জুলাইগী তারিখ ৬ হিন্দু লাইনীং চৎপশিং অমদি মুসলিমশিংগী ওইনসু নুংঙাইরবা লাইনীংগী ওইবা নুমিৎ ওইখি। মণিপুরগী ওইনা লৈরক-খুল্লক, কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোকখি। থোঙ্গাল-থোঙ্গালশিংদা মনম নুংশিরবা ধুপ, বর্ত্তি, মৈ, হৈরুক কৎচদুনা শ্রী জগনাথনা রথ তোংদুনা লাকপা ওক্লখি। হরি নাম শোঞ্জদুনা ভক্তিগা লোয়ননা পূক্নিংদা থাগোননা খুরুম্মখি। হিন্দু লাইনীং চৎচবশিংগীদমক্তদি কাং চিংবা নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈ মখল অমা ওইনসু লৌনরি। নুমিদাংগী মতমদা ধুপ আরতি কৎতুনা বামোন মান্দপশিংদা ঈশ্বর মাবু খুরুমজবা, জয় দেব চোংবা, চালি (জগোয়) শাবগী চৎনবী লৈরম্বা অদু হৌজিক্কী মতম অসিদদি তপ্না তপ্না হন্থরকপা উরে। পালি পুবা হায়দুনা কাং মনুংগী নুমিৎশিংদা ঈশ্বর মঙোন্দা অঙম্বা কৎচবা, খেচ্রিনচিংবা মথেল মথেল কৎপগী চৎনবী লৈরম্বা অদুসু তপ্না তপ্না হন্থরক্লে। থায়নগী মতম অদু নৎত্রে। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না অওনবা লাকপা হৌনশানি। অহিং নোংশোইবা মতম মাঙনবগী কান্নদবা অদু খঙলকপদগী অহোংবা লাকপা ওইফম থোকই। মসিমক ওইদুনসু কাংগী কুম্মৈগী ময়াক হন্থবদি নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্লা রথ যাত্রা নুমিৎশিংদা ছুটি লাউথোক্লি। হিন্দু লাইনীংনা নম্না চৎনবা লমদম অসিদা লাইনীংগা মরী লৈনবা কুম্মৈ ফিয়োং মতাং মতম চানা পাঙথোক্করি। মসিনা মীয়াম পূনশিন্নদুনা নুংশিনবগী লম্বীদা পুরক্লবগী মচাক অমসু ওইহল্লি।

রথ যাত্রাগা চপ চাবা নুমিৎতা তাফম থোক্লবা ইড-উল-ফিটর নুমিৎ অদুদা তাখিদবগী পাউ ফংখি। থা মশক উবা ফংদে হায়বা অমসু ঙাঙনখি। ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনসু ইড-উল-ফিযর জুলাই তারিখ ৭ তা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়বগী পাউসু লাউথোরকখি। থৌরম অদুসু লৈবাক শিনবা থুংনা হরাউ তয়াম্না পাঙথোক্লখি। নুমিৎ অদুদা ইড-উল-ফিটরগা মরী লৈননা চাক্লেন অমা য়াওরনবা চেপাউ ফংবদগী চৎলুই ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৫০ মুক লাপ্পা ক্বাক্তা তান্না। ক্বাক্তা চুড়াচান্দপুর য়ৌগদবা খজিক্তা ঙাইরে পংশাং শাংবা নৎত্রে। ঐগী নুংশিখ্রবা ইনাও অহুমগা লোয়ননা মিনিট ৪০ রোমগী মনুংদা ক্বাক্তা য়ৌখি। ইবোথেম অমদি গালিমনা ঐখোয়বু হরাউ তয়াম্না ওকপীখি। ক্বাক্তা লৌবুক লমহাংতনা পাক্লা শন্দোকখ্রিবা ফজরবা মফম অমা ওইরম্মী। ক্বাক্তাগী নুংশিৎ নামিবনসু হকচাংদা তপ্না নাল্লকখি। ঙাথু থেংথুনরদুনা ঈংলবা নুংশিৎকা লোয়ননা মহৌশাগী ফজববু মিৎ কুপ্তুনা য়েংলুই। ইবোথেমগী লোইনবী অমদি মচাশিংনা হাউরবা মথেল লুকোয়শিং থেন্দুনা পুথোরক্তুনা ঐখোয়বু নুংশিনা থৌগল তৌবিরকখি। ওন্থোকপা হায়বদুনি অদুক য়ামখ্রবা মথেলশিংদু চাবা তঞ্জায় চল্লকপদা সলিমনা মাগী য়ূমদা চাক চাদবা য়ারোই হায়দুনা মাগীদা অমুক চৎখি। পঙলাপ লাপ্ন দ্রে খোঙনা চৎপদা মিনিট ৫ ফাবা মফম নত্তে। চপ মান্নে সলিমগী লোইনবী অমদি মচাশিংনা হরাউনা ওক্তুনা লৈরম্মী। মুসলমানশিংনা পাম্না চান্নবা শা মখল মওং মওংদু থোংলগা পুথোরকখি। হরাউ তয়াম্না নুংশিননা চামিন্নখি। খ্বাইদগী ঙকপা অমনা সলিম চহী ৪২ রোমদসু ঙায়রিবা মাগী মচা ৬ চাং হায়রপ মান্ননা লৈরম্বদু তশেংনা ঙকখি। ঐখোয়না অঙাং ২/৩ খক্কী হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরগসু মঙোন্দদি মচা ৬ তু কৈসু লৈতনা খনবা ওইনা তৌরম্বদুদা নোক্নিংবসু ফাওরকখি। হায়রুই 'সলিম নঙগী নচা ৬ সিবু কমদৌবা, মখা ৩ গুম্বা তারগা ৯ শুহল্লোদনা!' - 'কদাইদগী ওকচরে সার, গুলি চঙদবা অঙাংসু য়াওরি, কিশি কিশিনখ্রে' মানসু নোক্লগা খুল্লকপনি। মাগী নুপীসু নোকই, মচাশিংসু নোকই। ঐদি অচুম অচুম্বা ৱা হায়বদা চিংনবা লৈতে। মখা চৎথরুই - শাউবদি শাউনুকো সলিম ঐ নঙোন্দা হায়নিংবা য়াম্না লৈরে। নহোয় পাঙল ইহে অমুকসু শাউনুকো। নহোয় পাঙলসিনা নচা পংপোক্তা পোক্লিবসি করিগীনো? অলাহনা পীবনি হায়দৌরিব্রা? অলাহনা পংপীদা পীবদি ওইরল্লোইদা। চিনাদা অঙাং অমদগী হেন্না পোকপা য়ারমদে। লৈঙাক্লা থিংই। হৌজিকপুদি অনী শুবা য়াহনখ্রে। নহোয়না অঙাং মশীং য়াম্না পোক্নিংলিবসিবু করিগীনো? থাকপা ঙল্লিব্রা অঙাংশিংসিবু। থাকপবুদি তোকখ্রোনে। অদুম ঙম্নবা হিংলিবসি মঙায়। অদুদা অঙাংশিংসি মহে মশীন তম্বা, ট্যুসন-ফাসন ময়াম অমা চৎনরিবসিনা কমদৌবা। অঙাং ২ খক পোকপদা মহে মশীন তমহন্নবগী ময়ামগা মান্ননবা হোৎনবদা মকোক্তা মখূৎ হাপ্পবা য়াওনরি ঐখোয়রোমদা। অদুনদি নঙগী ৬ সিগুম্বা পোকপা তারগদি উজার মেলা শাবা মশানা তাবনি। অঙাংশিংসু অমত্তা ফরকপগী ৱা লৈতে। নঙোন্দবুদি নত্তেকো হায়রিসে। অঙাং য়াম্না পোকশিল্লুরগা শেম্বা ঙমদবদগী গাড়ী হুরানবা, গুলি চাবা/ললোনবা, মীগী মপোৎ হুরানবা ময়াম অমা থোরক্লিবসি অঙাং পংপোক্তা পোকপসিনসু মরম অমনি। মতাংসিদা ক্বালিটিগা ক্বান্টিটিগগী মতাং পনবা য়াই। ক্বালিটি লৈবা পোৎ পুথোকপনা ক্বান্টিটি য়াম্না পুথোকপদগী হেন্না ফৈ হায়নরিবদুনি। নৎত্রনে ইবোথেম, সলিম! অসুম্না লোইশিনখি।

ইড-উল-ফিটরগী নুংঙাইরবা নুমিৎ অদুদা মৈতৈ পাঙলশিংগা লোয়ননা অমত্তা ওইবগী পান্দমদা নুংঙাইরবা ৱারী কয়াসু শামিন্নরকখি। নুমিৎতুদা মখোয়না য়াম্না শাউরকপসি নুঙ্গৈগী ৱাথোক অদুনা ওইখি। নুঙ্গৈদা মীতৈগা মীতৈ পাঙলগা তোখায় তোখায় তান্নরে, নুংশিনদ্রে হায়বগী পাউ তাবদা মখোয় তশেংনা নুংঙাইহৌদে। সলিমনা হায়হৌই 'ঐখোয়সু মীতৈ ইমাগী মচানি। ঐখোয় চারৌ মৌরৌনদুনা লৈমিন্নরকপনি। অসুক নক্লখ্রবা ঈগী মরী অসিগী অর্থ খঙদবা গধা খরনা ঐখোয় মশেল নুংশিনহন্দনবা হোৎনবা য়াম্না নুংঙাইতে। ঐখোয় পাঙলবু মাইনোরিটিনি হায়দুনা উশিৎপীদবসু তৌহন্নিংদে। তৌবগীদি গাড়ী হুরাল্লে পাঙল হেক্তা ওইরম্মী, গুলি চারে/য়োল্লে ঐখোয়গী কাঙবু হেক্তা চেন্নরম্বসি পাউচেদা হেক্তা থেংনরকই। মসিদনি খ্বাইদগী শাউনিংলিবা, নুংঙাইত্রিবসি। ঐখোয় পাঙলসি লাইরিক লাইশু ফবা, ডাক্তর, এঞ্জিনিয়র, আই এ এস ওফিসার ফাওবা য়াওরক্লবা মতমসিদা মথোং হুক্তবা খরনা ঐখোয়গী ফুরুপ অসি চেন্থনবা থবক তৌরকপসি নুংঙাইতে। মখোয়শিংসি ৱাখল য়াম্না তাহন্নিংই। আদুগী ৱাবুদি মীতৈদসু ফৎত-ফৎতবা ওন্থোক্লা য়াম্না লৈখ্রে। পাউচে পাবতদা মীতৈনা ফৎতবা থবক তৌরম্বগী মথোং হুক্ত্রবা পাউ কয়া অমসু থেংনরকই। অদুবু হন্দক্কী নুংঙাইবা পাউ অমনা নুঙ্গৈদা মীতৈগা, মীতৈ পাঙলগা য়াশিন্নখ্রে, কাঙলুপ মশেল নুংশিননা লৈমিন্নরগনি হায়বগী পাউদু তাবদা নুংঙাইবা ফাওই। ৱাখল তাদবা ঐখোয় পাঙল অঙাং খরনা নোংমৈ কাপশিল্লি কাইদু মতুংদা অদুগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোক্তনবা অহল লমনশিংনা পাউতাক পীহন্নিংই। খঙদ্রে সার হায়নীংবদি য়াম্না লৈ। ঙসিগী সারহোয় লাকপীদুনা ইড-উল-ফিটরগী থৌরম য়াওবা লাকপীরিবসি ওন্থোক্লা মমল য়ামখ্রে। ঐখোয় মশেল অমত্তনি, নুংশিননা হিংমিন্নসি হায়বগী মপাউ ঙসিগী ৱাফমসিনা পুরকপসু ওইরসনু হায়রগা সলিমগী ৱারী লোইশিনখি।

# হৌজিক্কী মীতৈলোন ফিল্মদা মিংয়েং # ৬

খঙদোকমিন্নসি অমুক্তা ঃ ৩৮২

**হাওবম প্রিয়োকুমার**

**মণিপুরদা** হৌজিক দিজিটেল ভিদিও ফিচর ফিল্মগী দিরেক্টর মরাং কায়না লৈরে। ফিচর ফিল্মদা দিরেক্সন পীরিবা মীওই কয়াগী মরক্তা পোক্লকপদা হীরমসিগী মতিক ময়াইগা শাগোন্ননা পোক্লকপা কয়া য়াওদবসু নত্তে। এ শ্যাম শর্ম্মা তশেংনা ফিল্ম দিরেক্সন্দা ট্রেন তৌরুবা নত্তে। অদুবু মানা মালেমদা ফিল্ম দিরেক্টর অমা ওইনা ফিদা কনবা ঙল্লি। মাগুম্বা দিরেক্টর কয়াসু লৈরিবনি/য়াওরিবনি। অদুবু কনাগুম্বা অমনা মতিং লৈবা অচঙবা ফিল্ম অমা পুথোক্লবা দিরেক্টর থিরকপদা অৱাবা অমদি শোয়দনা মায়োক্লগনি। শোমদা হোলিৱুদরোমদা অমা অনীদং পল্লবদা - স্লেভেন স্পেলবর্গনা জুরাসিক পার্ক মথং-মনাও, জো, সেভিং প্রাইভেট র্যান অসিনচিংবা মথং মথং দিরেক্সন পীদুনা মায় পাকপা দিরেক্টর ওইবা ঙল্লি। অমুকসু, জেমস কেমরুননা টার্মিনেটর মথং-মনাও, টৈটানিকনচিংবা দিরেক্সন পীদুনা দিরেক্টরগী মফম চাউনা কল্লি। লোয়ননা মানা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম কয়া মীয়াম্না খৌরাংনা ঙায়নরিবনি। বোলিৱুদতসু অদুমঙায় খরদং পল্লবদা শক্তি সমান্তানা অরাধানা, কটি পটংগানচিংবা ফিল্ম কয়া দিরেক্সন পীদুনা মানা দিরেক্সন পীবা ফিল্মশিং মীয়াম্না পাম্না য়েংনৈ। বোম্বে, রোজানচিংবা দিরেক্সন পীরিবা মনি রটনম মীয়াম্না পাম্নবা দিরেক্টর ওইরি। অমুকসু, রাজকুমার হিরানিনা মুনা ভাই এম বি বি এস, থ্রি এদিএটস, পি কেনচিংবা দিরেক্সন পীদুনা মীয়াম্না পাম্নবা দিরেক্টর ওইবা ঙল্লি। মখোয়শিংসিনা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অয়াম্বা মায় পাক্লি, মীয়াম্না পাম্নরি।

ঐখোয়গীদসু মায় পাকখিবা, মীয়াম্না পাম্নখিবা দিজিটেল ভিদিও ফিল্ম কয়া লৈখ্রে। অদুবু মদু দিরেক্সন পীরিবা দিরেক্টর অদুমক্লা মতুং তারকপদা দিরেক্সন পীদুনা পুথোক্লকপা ফিল্মশিংগী ফিদা লৈতবদৌনা হেক হেক থোক্লি। মসি দিরেক্টর অয়াম্বদা থোক্কল্লি, থোক্লিবনি। অদুনা মীতৈলোন দিজিটেল ফিল্মনা শাফোংলকপা মতমদা লাইবকপু ফরবদি, দাওবু য়ারবদি ফিল্মদা মায় হেক্তা পাকপনি হায়বগী ঈচেলদুদগী হৌজিকসু পঙলাপ লাপথোকপা ঙমদবগুম উরি। হায়বদি ঐখোয় থিজিনবা, তানবা, খন্থবগী য়াম্না চাউনা তঙায় ফদবা লৈরি।

ফিল্ম হায়বসি ঐখোয়গী ওইনদি হিন্দি ফিল্মনা লাইমিং লৌখিবনি। অদুনা হিন্দি ফিল্মগী মওং-মতৌ, হিন্দি ফিল্মগী মমি খরবু তারবদি ফিল্ম হায়বদো অসিনি, ওইরবোই খন্নরি, লৌনরি। হিন্দি ফিল্ম অয়াম্বদি অৱাংবা থাক্কী কর্মসিএল ফিল্মনি। মখোয়গী মার্কেটসু য়াম্না পাক চাওই। অদুনা ঐখোয়না মখোয়গী মতুং ইল্লুবা ঙমগদবা নত্তে। ঐখোয়দি মখোয়গা য়েংনরুবদা মার্কেট লৈতবগুম্বনি। ঐখোয়দগী মাঙ থাখ্রবা মখোয়না শাবা 'কেক' তুগা মান্ননা ঐখোয়না শারুবদা মখোয়গী মনাক নক্লুবা ঙল্লোই, কনানসু লৈবিরোই। মাঙজিন থাখিবা মখোয়না অদুমক মাঙজিল থাদুনা লৈখিনি। কেক কুম্বা অনৌবা তোঙানবা মহাও পীবা ঙম্বা অমা শারবা মতমদতা কেকতুগী মনাক নক্লুবা ঙমগনি, চৎমিন্নবা ঙমগনি, হেন্না মাঙজিল থাবা ঙম্বসু য়ারিবনি। ঐখোয়গী অৱাংবা থাক্কী কলচর, কষ্টমরি লোশিং, ট্রেদিসনল অসিনচিংবা মতিক চানা, মরাঙ কায়না লৈজবা কাঙলুপনি। অদুগীসু মথক্তা য়াম্না হৈথোই-শিংথোইবা কাঙলুপ্তা চল্লিবা অমসুনি। অদুনা হায়রিবশিং অসিবু চপ চানা মওং-মরিল তানা উথোকপা ঙম্বা ফিল্ম পুথোক্লবদি ঐখোয়গী ফিল্মনা লায়না মণিপুরগী ৱাংমা লান্না চৎপা ঙল্লোয়দবগী মরম লৈতে। লোয়ননা লমসিদা চাওখৎপা হায়বদুসু ওইরোইদ্রা?

হৌজিক হৌজিক পুথোক্লরিবা দিজিটেল ভিদিও ফিল্ম অয়াম্বদা ওইরিবা মওং-মতৌ খরদং পল্লবদা চহী হুম্ফু-হুম্ফুতরাগী মমাঙদা খুন্নাইসিদা চৎনরম্বা নুপী ফাবা, নুপী চিংবা, থাঙ পায়রগা গুন্দাইজমগী থৌওং অসিনচিংবা কয়াবু নৌহৌনা হৌজিক্কী ফিল্মদা ফিট তৌশিন্নরক্লি। অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থৌওংশিং অসিদি খুন্নাইসিদগী লাপ্পা লৈখ্রে, থুপখিবা কুইরে। করিগুম্বা মতমদনা নুংশিদবা মীশক্তুদা চা পীথকপদা হক্কী ঈশিং য়ানশিল্লগা পীথকপা থেংনরি। মতৌ তম্বা হায়বসিমক্তবু অফবদা থোয়না তম্ন দে লায়না থোকপা ফত্তবদা তম্নবনা অয়াম্বনি। অদুনা অসিগুম্বা মখলগী থৌওংশিং অসিদি ফিল্মদা মমি তাহন্নিংদে। ফিল্ম হায়বসিদি য়াম্না মপাঙ্গল কনবা মিদিয়ানি। ঙসি ফিল্মদা উখিবদু নোংঙাল্লগা অমনা-অমনা মতৌ হেক্তা তম্নরিবনি। মমাঙঙৈ হিন্দি দ ফিল্মগী তাইবঙদা কিং ওফ দ ফেসন হায়না খঙনবা দেব অনন্দনা লায়রবগী রোল লৌবদা মানা শেৎ চারিবা শেগায়বা অফোৎপা ফিজোলদু ফেসন ওইনা খল্লুবনরা, ঐখোয় খ্বাইদা মদুবু য়েংলুরগা থওইনা শেগায়রগা ফোত্তুনা ফেসন অমগুম শীজিন্নখিবগী ৱারী লৈখি। অদুনা মথোং চাদবা, মথোং হুক্ত্রবা কয়াবু ফিল্মদা হাপচিন্দুনা খুন্নাইসিবু মরিং-মরাংবা লম্বী অমদা লমজিংখিনবগী মচাক ওইরোই হায়নীংঙাই লৈতে। কুপথনা খন্থবগী মথৌ তারি।

ঐখোয়গী ট্রেদিসনলদা, কলচরদা চাউনা শিংনবা ওইনা থোক্লিবা অমনা ফিল্মশিংদা নুপী চেল্লক্লগা নুমিৎতুমক্তদা নুপাদুগী ময়ূমদা হেক হেক পুশিন্নৈ। মসিদি, অকনবা মিংয়েং চঙবা চুমগনি। ফিল্ম অয়াম্বদা য়াম্না তোয়না থেংনরিবা অমনা চা থকপগী সিননি। পুথোক্লক্লিবা চা কপ অদুদা চা য়াওদে হায়বসি অয়েংবা খুদিংমক্লা খঙনবা ঙাক্তনি। আর্টিষ্টতুনা মওং তানা থকপা মালহল্লবদি খরসু মফগদবা, মদুসু ওইদ্রি। নৌরিবা মতমনি হায়রগদি খরসু মফগদবা। অদুবু হৌজিক্তি মপান শাৎতুনা মহে য়ানবা হৌরক্লবনি। হৌনা এঞ্জাংনি হায়দুনা ঙল্লিঙৈদা পঙতৌ তৌশিনবা, পঙয়েং য়েংজখিনি হায়বগী মতমদু হৌজিক্তি নৎত্রবনি। অদুনা মসিদি অয়েংবশিংবু উশিত্তবনি হায়নীংই। অদুনা চা থকপগী সিন য়াওহনবীরনু, য়াওদবা য়াদে হায়রগনা শেল য়াম্না চঙগদবসু নত্তে চা য়াওহনবিনবা হোৎনবিয়ু। অমনা নাবু নারবা, হকচাংবু ঙমদ্রবা কেন্সর ওইগেরা অমা ওইগেরা লোক খুবগী চৎনবী অমা ফিল্মদা তত্তনা উরি। মসিবু শেমদোকপা য়াররোইদ্রা? ইমুংদা ৱারী শান্নরিঙৈদা মপান্দগী ৱা ঙাঙলকপদুগা চপ মান্নবা ভোল্যুমগী লেভেলদা থম্বগুম তৌরি। অতৈ অতোপ্পদসু অদু মঙায় নকশিন্না তপ্না ঙাঙনগদবা অদুসু অহৌবা মান্নবা ভোল্যুম লেভেলদা অদুমক থম্নবগুল্লি। হায়বদি দাইলোগ দেলিভরিদা অনেম-অৱাং লৈহন্দবা, হুিসপরিং সাউন্দা ঙাঙগদবা কয়াবুসু মান্নবা লেভেলদা থম্বগুল্লি। অদুনা দাইনামিক ওইবা সাউন্দ হায়বদুমদি ওইদ্রে। শোমদসু মিৎয়েং থমহন্নিংই। অশি-অনাগী সিনদা আর্টিষ্টশিংনা ও খোংনা কপ্পুনা মতম শাংনা লৌরগা অয়েংবশিংনা হেক্তমক কপকদবা নত্তে। এক্টিংনা, এক্সননা, ফেসিয়েল এক্সপ্রেসননচিংবনা মুদ শাগৎপীরগা থম্বীরম্মু অয়েংবশিংনা কপচনবা।

কুহাদা কুমথ-কুমথরগা হেন্না হেন্না লুথরকপগুম ফিল্মদসু অদু মঙায়, চঙশিন-চঙশিল্লগা, খঙল-খঙলগা হেন্না হেন্না লুশিল্লক্কদৌরিবনি। মদুবু নৈনরবা মতমদা মগুন লৈবা অফবা ফিল্ম পুথোকপা ঙমগদৌরিবনি। তম্নবা মফমদু তম্নৈ খঙদ্রিঙৈদদি অকিবা য়াওদনা মফমদু চৎনবা ঙাক্তনি। তম্নৈ খঙলকপা মতমদনি কিবনা খোঙ ফাওবা নিংথিনা থাংবা ঙমদবমখৈ ৱানা মফমদু লান্থোক্করি। অসিগুম্বদুনা ফিল্ম দিরেক্সন পীবিরিবা, ফিল্ম পুথোকপীরিবা অয়াম্বনা তম্নৈ খঙনদবগুম ইকোম-কোম্না চৎনবগুম তৌরি। তম্নৈ খঙবা ঙায়রিঙৈদা ফিল্ম মফোল থোকখিগদ্রা হায়না পাখৎপা ফাওদবা নত্তে। হায়রিবা পূন্নমক অয়েংবশিংবু করিসু লৈতনা খনবা, তৌশিনখ্রগা লোইরে, অদুম য়েংজখিগনি হায়বা য়াম্না নেম্বা থাক্কী ৱাখল্লোননি হায়নীংই। মসিনা ফিল্মবু অফবা মায়কৈদা পুবদি ওইথোক্লোই হায়না লৌই। মগুন লৈবা ফিল্ম পুথোক্লবা হোৎনবা য়াবা হোৎনসি, মতম লৌসি, তহা-তহা তৌশিনগুমসি।

ফিল্ম অয়াম্বদা য়াম্না তোয়না থেংনরিবা অমনা চা থকপগী সিননি। পুথোক্লক্লিবা চা কপ অদুদা চা য়াওদে হায়বসি অয়েংবা খুদিংমক্লা খঙনবা ঙাক্তনি। আর্টিষ্টতুনা মওং তানা থকপা মালহল্লবদি খরসু মফগদবা, মদুসু ওইদ্রি। নৌরিবা মতমনি হায়রগদি খরসু মফগদবা। অদুবু হৌজিকিত মপান শাৎতুনা মহৈ য়ানবা হৌরক্লবনি। হৌনা এঞ্জাংনি হায়দুনা ঙল্লিঙৈদা পঙতৌ তৌশিনবা, পঙয়েং য়েংজখিনি হায়বগী মতমদু হৌজিক্তি নৎত্রবনি। অদুনা মসিদি অয়েংবশিংবু উশিত্তবনি হায়নীংই। অদুনা চা থকপগী সিন য়াওহনবীরনু, য়াওদবা য়াদে হায়রগনা শেল য়াম্না চঙগদবসু নত্তে চা য়াওহনবিনবা হোৎনবিয়ু।